# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হৌজিক দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লিবা অসি লাকশিন্নবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থবক কয়ামরুম লৌখৎলে।

২) ভারতনা মণিপুরবু নমদুনা মার্জর এগিমেন্ট সহি তৌহনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা কৌবা বন্দনা লম্বীদা মী চৎপগী চাং হন্থরে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি য়ুনাইতেদ ষ্টেটসকীদমক ভারত থাদোকখ্রে।

------

দেঙ্গি (এল)ঃ  মণিপুরদা হৌজিক দেঙ্গি লায়নাগী কেস হেনগৎলক্লিবা অসি লাকশিন্নবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎলি। অকাশবানি ইম্ফালদা রাজ্যগী মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ শলাম প্রিয়োকুমারনা হায়- দেঙ্গি লায়না লায়েংনবা চপ চাবা হিদাক লৈত্রবসু মসি ইরায় লাইনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। মহাকা হায়- মীয়ামা য়ারিবা মখৈ চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা কাং মচা কোকপা য়াবা মফমশিং লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। আরবান মেলেরিয়া য়ুনিতকী টিমনা চহি অসিগী মার্চ থাদগী হৌদুনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা কাং মরুম কোকফমশিং হন্থহন্নবা থবক পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা আশা ব্রার্কর ৩৫৫ ত্রেন তৌখ্রে।

ডাঃ প্রিয়োকুমারনা হায়- বিভাগ অসিগী ষ্টাফশিংনা ফিল্ডদা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকৈ। দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওইশিং লোৎশিন্দুনা থম্বা, অনাবা মীদুগী য়ুমদা চংবদা তাথি তাওইনা তৌরকপগী থৌদোক কয়া থেংনৈ। ডাঃ প্রিয়োকুমারনা হায়- জনুৱারি ১ দগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা দেঙ্গিগী কেস ৪৪৮ থেংনরে। মসিগী মনুংদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা খক্তদা কেস ২৫৯ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতনা কেস ১১৭ থেংনরে। মসিগী মনুংদা সেপ্তেম্বরগী তাং ১৮ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা কেস ১৪০ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতা কেস ৫২ থেংনখি। মহাকা হায়- হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশামথোং এরিয়াদা দেঙ্গি পোজিতিভ কেস ৪৯, থাংমৈবন্দ এরিয়াদ কেস ৩৪, উরিপোক এরিয়াদা কেস ২২ থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্টকী বামোন লৈকাই, য়াইস্কুল এরিয়াদা কেস ৩০ থেংনখি। ডাঃ প্রিয়োকুমারনা হায়- হৌজিকমক্কী ওইনা রিপোর্ট ফংদবনা হোস্পিতালদা দেঙ্গিনা নারবা মীওই কয়া লায়কন্নরি হায়বদুগী চপ চাবা পাউদি লৈতে।

বন্দ (এল)ঃ   ভারতনা মণিপুরবু নমদুনা মার্জর এগ্রিমেন্ট সহি তৌহনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নেসনেল রিভোলুসনরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন.আর.এফ.এম)না মণিপুর পুম্বদা ঙসি বন্দ কৌরি। ইং কুমজা ১৯৪৯ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুরবু ভারত্তা নমদুনা পুলহনখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা আইন্না থিংখ্রবা লুপ অসিনা বন্দ কৌখিবনি। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা জিলা অমগা জিলা অমগা ফাওদুনা চেনবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং চৎনদ্রে। ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেল অমা ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলদা মী লাকবগী চাং নেম্লে। লম্বীদা মী চৎপগী চাংসু হন্থরে।

এআর (এল)ঃ   মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা অসিদগী খরদা ওইরবা শান্তি লৈনবা পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী জোপীদা ঈশৈ অমসুং ম্যুজিক চাংদমবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, হিন্দি পাখৱারাগী থৌরম ঙরাং কৈথেলমানগী গেরিসনদা পাঙথোকখ্রে। লৈবাক শিনবা থুংবদা হিন্দি লোলবু হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

ফুটবোল(এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ১৮ শুবা দি.এস.এ ট্রোফি ইনভিতেসন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা কে.ৱাই.দব্লিউ.এস ৱাবগাই কাদাজিৎপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙসি য়ুনাইতেদ ষ্টেটসকীদমক ভারত থাদোকখ্রে। শ্রী মোদিগী খোঙচৎকী অহানবা নুমিৎতা দেলাৱেয়ারগী ৱিলমিংটনদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিসুবা এন্যুএল ক্বাদ লিদরস সম্মিৎতা শরুক য়াগনি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা য়ু.এসকী রাষ্ট্রপতি জো বাইদেনগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

য়ু.এস. খোঙচৎকী মাংওইননা শ্রী মোদিনা হায়- মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং য়ু.এসকী মরী হেন্না ফগৎহন্দুনা লৈবা অনি অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

শ্রী মোদিগী খোঙচৎ মনুংদা নিউয়োর্কতা লৈবা ভারতমচাশিংগা উন্নগনি।

এআই ঃ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়গী মখাদা ইন্দিয়া এ.আই ইন্দিপেন্দেন্ট বিজিনেস দিভিজন্না ইন্দিয়া এ.আই ইনোভেসন চেলেঞ্জ হৌদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মন্ত্রালয়না হায়- চেলেঞ্জ অসি ভারত্তা লৈরিবা ষ্টার্টঅপশিং, মহৈরোইশিং, নন-প্রোফিত বিজিনেস তৌরিবা মীওইশিং অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংন্না শরুক য়াবা য়াগনি। থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনগদবনি। মায় পাক্লবা মীওইশিংদা লুপা কোতি ১ মনা ওইনা

পীগনি অমসুং মখোয়গী প্রোজেক্ট অদু নেসনেল থাক্তা উৎপা য়াগনি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা হায়রি- এন.দি.এ সরকার লাকপদগী লৈবাক অসিদা হেন্না চাওখৎপা পুরকপা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী নদ্দানা হায়- সরকার অসিনা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা হায়বা স্কিম অসি হৌদোকপদগী চহি ৭০ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেনিয়র সিতিজন কোতি ৬ তা লুপা লাখ ৫ গী লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। হায়রিবা স্কিম অসি মথং থাদগী চৎনবা হৌরগনি। মহাকা মখা তানা হায়- য়ু ৱিন পোর্তেল হাংদোকপদগী মীরোনবী নুপী অমসুং অঙাংশিংদা ভেক্সিনেসন সার্ভিস দিজিতেলগী খুত্থাংদা পীবা ঙমলে। শ্রী নদ্দানা হায়- ভারত্তা লৈরিবা হেলথ ইন্সটিট্যুট অমসুং এইমস হোস্পিতাল ১৫ দা দ্রোন সার্ভিস হাংদোকবা শেম শারে। মেদিকেল কলেজ অমসুং এম.বি.বি.এস অমসুং পি.জিগী সিট হেনগৎপনা লৈবাক অসিদা ডোক্তর মরাং কায়না লৈহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

সাহ ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্র গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঝারখন্দদা বি.জে.পিগী মীখলগী কেম্পেন হৌদোকখ্রে। শ্রী সাহনা ঝারখন্দগী সাহেবগঞ্জ জিলাদা পরিবর্তন যাত্রা কেম্পেন হৌদোকপগা লোয়ননা মীখলগী কেম্পেন অসি হৌদোকখিবনি।

জিলা অসিগী পুলিসলাইন গ্রাউন্দদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা শ্রী সাহনা হায়- বি.জে.পিনা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি রাজ্য অসিদা লৈরিবা চহি ৭৫ অমসুং মথক্কী মীওইশিংদা লুপা লাখ ১০ ফাওবগী লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। মহাকা হায়- আইন কায়না চংলকপা বঙ্গলাদেশকী মীওইশিংনা রাজ্য অসিগী দেমোগ্রাফিদা অকায়বা পীরে। ঝারখন্দ সরকারনা হায়রিবা আইন কায়না চংলকপা মীওইশিং অসি ভোৎ থাদবা য়াদনবা

হোৎনরি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কুকি লালহৌবা ৯০০ লোম মণিপুরদা চংল্লকখিবগী পাউ অচুম্বনি হায়না কুলদিপ সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরে।

কুকি লালহৌবা ৯০০ লোম চংশিল্লকখিবা পাউ চুম্লম্লে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়বা সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহগী ৱাফমনা কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদ্না ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

জিরিবামগী লানফম: কুকি তেরোরিষ্টশিংনা মোংবুং মীতৈ খুলদা অমুক্তসু বোম নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- দেঙ্গিগী কেস খঙহেন হেনগৎলক্লে, সেপ্তেম্বর থা খক্তদা মীওই ২১২ পোজিতিভ ওইরে, অমা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা পাউচে খরদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- এন.আই.এনা কৌক্রুক্তা বোম এটেক তৌরকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা য়েংশিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- জে.দি.য়ুদগী বি.জে.পিদা চোংশিল্লকখ্রবা

এম.এল.এ মঙাগী হিয়ারিং চখৎবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- মিষ্টির শুশিন্দ্রোগী ষ্টাফ কিদনেপ তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- য়ু.এন.ঐচ.আর.সিনা মণিপুরদা থোক্লিবা নার্কো তেরোরিজম অমসুং ইম্মিগ্রেসনগী ৱাথোকশিংগী মতাংদা লৈবাকশিংনা খন্ন-নৈন্নবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা শাবগী চাং খম থেংনা ৱাংলে, অহিং তুম্বা ঙমদ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লৌরেম্বম সৈলেস সিংহনা লৈখিদবদা প্রিপাকা অৱাবা ফোংদোরক্লি হায়বা অসি মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরগী খ্বাইগী শাখিবা মফম নোনে জিলাগী লোংমাইনা ওইখি, শাবগী চাং চাদা ৪২.১৬ য়ৌখি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তেংমেংলোং জিলাগী দি.সি ডোক্তর এল. অংসিমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা এক্সপরিয়েন্সিয়েল লার্নিং এন্দ ইনফোটেনমেন্ট সেন্তর অমা হাংদোক্লগনি হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী ইন্দিজিনস রাইটসতা চাউনা শিংনরক্লে হায়বা খুরাইজম অথৌবগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।